থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মরৈবাক নীংবা অমদি নুংশিবা, খন্দোকফম খঙদে ঐ

মরৈবাক নীংবা হায়'সিগা, মরৈবাক নুংশিবা হায়'সিগা - অনী অসি করি খেন্নে? মান্নদবরা? 'নীংবা' অমসুং 'নুংশিবা' - মান্নদবা ৱাহৈ অনী শেম্লম্লবনিনা নকুবা ৱাহন্থোক লৈরবসু শীজিন্নফম মান্নরোই। কনাগুম্বা অমবু ঐনা নীংজরুবা হায়সিগা, ঐনা মাবু নুংশিরুবা হায়সিগা - অনী অসি মান্নদবরা? নীংজবদু য়াওদনা নুংশিরুবা য়াবরা? নৎত্রগা, নুংশিবদু য়াওদনা নীংজবদু ওইথোক্কদ্রা? অসিনচিংবা, মওল মওল ৱাখলনি - খনবা হৌরুবদা পোক্লক্লিবা। কান্নদবা, ওইরোইদবা ৱাখল পরীং শাগৎপদু নত্তবা, অসিগুম্বা ৱাখলসিসু খঙদে, মোন্দ্রং কৌগদ্রা? নীংবগা নুংশিবগা, থম্মোয় হায়বদুগী মথৌ অনী ওইরবসু - 'লাই' কৌবা শকউদবা মাগী মতাঙদদি অনীমক তুনা শীজিন্নদে। 'লাই নীংব'দি হায়নৈ, 'লাই নুংশিব'দি হায়নদে।

হিন্দি লোনদসু 'দেশভক্ত' হায়বা অমগা 'দেশ প্রেমী' হায়বা অমগা শীজিন্নবা থেংনৈ। মথক্তা পঙ্খিবা অদুমক্লি। 'ভক্ত' হায়বদি করিগুম্বা/কনাগুম্বা অমবু নীংজবা মীশক অদুবুনি। 'দেশ ভক্তি' হায়রগনা মরৈবাক নুংশিবা/ঈশ্বর/লাইগী তোঙান তোঙানবা শক্লোননি থাজনরিবা লাইশিং নীংবদুবুনা কৃষ্ণ ভক্ত, বিষ্ণু ভক্ত, শিব ভক্ত, রাম ভক্ত অসিনচিংবা।

লৈপাক নীংবা/নুংশিবগা মরী লৈনবা ৱাখলগী ফিলিং ফোঙদোক্নবা ইংরাজি/ইংলিস লোনগীদমক্তি ৱাহৈ অমখক্তা পুমসুপ সুপ্না ফোঙদোকই - 'পেত্রিওতিজম'। মশাগী মরমদম, পোলিতিকল বাউন্দরি অমনা কোয়শিনবা লম মচেৎ অদুদা লৈমিন্নরিবা মীওইশিং অদুগী চৎনবী, নাৎ, লাইনিং লাইশোল অদুনা শাগৎলকপা শক্তম, শক্তমদুনা মচু শঙদুনা শেমগৎলকপা ক্যারেক্তর অদুবু কৌই নেসন অমা। নেসন'দুদগী লাকই 'নেসনেলিজম'। নেসনেলিজমমনা পোক্লকই 'পেত্রিওতিজম'। মরমদম লমদম (জিওগ্রাফিকেল বাউন্দরি) অদুবু নুংশিবা, মাগীদমক নুংনাংজবা, মাগীদমক ৱাজবা, ইশাগী ওইজ-ওইথক-নুংঙাই-য়াইফ পুম্নমক্তগী মরৈবাক-মরমদমগী ঙমখৈ ঙাক শেনবনা থৱায়দগী হেন্না মমল লৈ হায়বা ৱাখল খল্লকপা ... অদুবু কৌই পেত্রিওতিজম। ৱাহৈসিনা পীরিবা মফোঙদোক অসি ঐখোয়গী লোনদদি 'লৈপাক নীংবা' হায়বা ৱাহৈ-ৱাপা অসিনা পুমসুপ সুপ্না খঙনৈ। পেত্রিওদিজমদা খরা হেনজিনবা, নেসনেলিজমদা হকচিনবা কাঙবু অদুবুনা 'চোবিনিজম' হায়বা ৱাহৈ অসিনা ফোঙদোকই। ৱাহৈসিগী মহুৎ ওইবা, ঐগী ইমালোন্দদি চপ চাবা ৱাহৈ থেংনদে।




ঙসি ঐনা লৈপাক নীংবা নৎত্রগা পেত্রিওটিজম হায়বা ৱাহৈ অসিদা করিগী পাউদম অসি ইনিংলক্লিবনো? হংলকপা য়াই কনাগুম্বনা। তশেংনমক হায়রবদা, লৈপাকসিদা ঙসিসিমক (হৌজিকসিমক) থোক্লিবা ৱাথোক-লান্থোক ময়াম অসি উরুরগা চমম্নবা পোক্লকই - ঐনা নুংশিদৌরিবা ইমা লৈপাকসিবু করম্বনো? ঐনা নীংগদৌরিবা ইরৈপাকসিবু ইন্দিয়ারা নৎত্রগা ইন্দিয়ানা তাথিবিরে ৱাকৎলিবা 'মণিপুর' কৌবী ইমাসিরা? খন্দা খনজিল্লুরগা চমম্নবা হেল্লকই। ঐনা নীংদৌরিবা লৈপাকসি মণিপুর ওইবা তারগদি ভারত ইমাবুদি মীরায়বা তাবরা ঐখোয়? ঙসিগী মীরোল অসিদা ৱাহং অসি হংলুবা, দি অন্সর ইজ ইভিদেন্ত ... পাউখুম অদু ময়েক শেংই হায়বা য়াই, ইন্দিয়াবু ৱারৌবা-শাউনীংবা মশীংনা অনীত ওইরবসু হেনগনি। হায়রক্কনি - ইমা লৈপাক মণিপুরনি। চীংমীশিংগী ৱাখলনা অমনি। মণিপুর ইমাবু পামদ্রবসু ইন্দিয়াগী মীচং ওইনসু ইচং থৌনা লেপ্লক্লোই।

চমম্নবা মরকসিদা, মার্ক ত্বাইনগী ৱাহায় অমা ৱাখলসিদা পাইশিল্লকই ... 'লৈপাক নীংবা (পেত্রিওতিজম) হায়বসি অতৈ করিসু নত্তে, নঙগী নরৈবাক-নরমদমগীদমক্তি মতম চুপ্পদা কখোক্লবা শেম শাবা, লমদমদুবু ঙাক্লিবা লৈঙাক (গভর্নমেন্ট) তুগীদমক্তি মতাঙ-মতম চাবখক্তদা চোংথোকপা ঙম্বা মহাক্তুনি'...। মসি নীংশিংলুরগা ঐহাক হেন্না চমম্নে - ঙসিগী তানফম অসিদা, ঐহাক কনাগীদমক লেপকদগে ... মশাগী শক্তম মাঙশিল্লক্লবী ইমা মণিপুর? ... নৎত্রগা, লমদমসিবু ঙাক্লিবা লৈঙাক অসিগীদমক? মীয়ামগী মুদ অসি য়েংলুরগদি, পাউদম অসি পাবীরিবা ময়ামসু ঈরায় লায়না খঙলমগনি - করম্বনা মশীং হেনগদগে? ইচিনসিনদি পন্নিংদ্রে। ইখুৎসিনসু ইনিংদ্রে।

ইরৈপাক নীংবা নৎত্রগা নুংশিবা করিনো? ৱাফমসিদি মতাঙসিদা তেনশিঞ্জরগে। ৱাফম অমত্তং হঙ্গৎচগে। ঐখোয়গী হয়েংগীদমক্লি হায়দুনা তাইবংপান অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রবা থৱায় ময়াম অমা ... মরৈবাক মরমদমগী ঙমখৈ ঙাক্লবনি হায়দুনা মথ্বায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ঙমখৈ ঙাক্লিবা, য়েক্লবগী নোংমৈ মরু মায়োক্ল দুনা লৈরিবা মখোয় ময়াম ... ময়ুম ইখ্মোল চাইগোইনুংদই হেন্দনা 'মালেম পূম্বদই অথোয়বা, ঐগী ইমা লৈপাকনি, অকনবা মচা পোকপীনি, লৈপাক্লেংগুম অখাঙ কনবীনি, ... ইরৈপাক ইরৈপাক, নঙগুম্বী লৈতে ইরৈপাক ... হায়না শেথা শৈরেং ইরিবশিং, মখোয় মখল অহুমসিদা খ্বাইদই লৈপাক নীংবা মপারি/মমোম করম্বনো? করম খৎ দাক্কদগে। ময়ুম ইখ্মোল অদুগী লৈহাওদুদা নোংমতসু ফদিগোম মকা অমা থাদবা, উফুল থাংলবা লৈমায়দু নোংমতসু শীতোক্কনি খৎ দবা, কান্নদবা নাপীনা খুকউ য়ৌনা ৱাংলফাও ফান্দোকপই ৱাখল চেন্দবা, ইথোরকপা শক্তোরকপদনা মঙোন্দই হেনবা মরৈবাক নীংবা অমা লৈত্রবগুম ইরকপা- ঙাঙলকপা মখোয়দুবু মমা নীংবা কৌগদ্রা? মরৈবাক নুংশিবা কৌগদ্রা? চমম্নরি হৌজিকসু।

লৌশিং পুক্কে

# অয়ুক য়াহৌবগা পুং ৩ গী মনুংদা ব্রেকফাষ্ট চারবদি দাইবেটিসনা নাবগী রিস্ক হন্থহল্লি

হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা মতমদা ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্স ফগৎলকপা মরম্না দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থরকই। অয়ুক হেক য়াহৌবগা পুং ২ নৎত্রগা ৩ গী মনুংদা ব্রেকফাষ্ট চাবনসু লায়না অসিগী রিস্ক হন্থহল্লি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক নোংমত্তং ওইরবসু ব্রেকফাষ্ট চাদনা খক তোক্লোইদবনি।



ইন্দিয়াদা দাইবেটিসনা নাবগী চাং অসুম-অসুম ৱাংখৎলকপদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরক্লে। ইন্টরনেসনেল দাইবেটিস ফেদরেসন (আই দি এফ) কী রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ২০১৫ দা মশাগী চহী ২০ দগীনা ৭০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ৭ লোম দাইবেটিসনা নাবা থেংনরে হায়রি। মালেমদা দাইবেটিসকী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক অহুমগী মনুংদা ইন্দিয়াসু য়াওরে হায়না লেন্সেট মেদিকেল জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকপা লৈখ্রে। জর্নেল অদুদা ফোঙলকখিবা রিপোর্টনা হায়খি, কুমজা ১৯৮০ অমসুং কুমজা ২০১৪ গী মরক্তা ইন্দিয়াগী নুপীশিং লায়না অসিনা নাবগী চাং চাদা ৮০ রোম হেনগৎলকখি। ৱাফম অসিমক য়ুনিয়ন হেল্‌থ মিনিষ্টর জে পি নাদানা হন্দক রাজ্য সভাগী ৱাহং পাউখুম মতমদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ মেদিকেল রিছার্চনা মরুওইবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎলবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ কেন্সর, দাইবেটিস কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজেজ এন্দ ষ্ট্রোক (এন পি সী দি সী এস) থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। নেসনেল হেল্‌থ মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা থৌরাং অসি লৌখৎকদবনি।

দাইবেটিস ঙাকথোক্লবগীদমক লৈবাক অসিদা চিনি অমসুং অতৈ অথুম্বা পোৎশক য়াওবা মহীশিংদগী লৌবা টেক্স চাদা ১৮ দগীনা চাদা ২১ ফাওবা হেনগৎলগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা পার্লিয়ামেন্টতা বজেটকী ৱারোল পীবদা ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনেল দাইবেটিসকী রিপোর্ট পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খিবদা, লায়না অসিনা নারবা মীওই মিলিয়ন ১০৯.৬ চাইনাদা লৈরে হায়রি। ইন্দিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনদি মথং শীৎনা মিলিয়ন ৬৯.১ অমসুং মিলিয়ন ২৯.৩ নি। ইন্দিয়াদা দাইবেটিস নাবগী চাং অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা মমাঙ চহীদা লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই ১০,২৭,৯১১ শিখি। হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি কুমজা ২০৩০ দা লায়না অসিনাা নারবা মীওই মিলিয়ন ১০০ হেন্না ইন্দিয়াদা লৈগনি হায়বা আই দি এফকী রিপোর্ট অদুনি।

দাইবেটিস হায়বসি পুন্সি চুপ্পা শাগোন্নদুনা লৈরগদবা লায়নানি। পুন্সি মহিং অমসুং চাকচা-য়ুথক শোয়বদগী ওইহল্লকপনি হায়না থাজনরিবা লায়না অসিগী মখল অনী লৈ। হায়রিবা মখল অনী অদুদি টাইপ-ৱান অমসুং টাইপ টুনি। টাইপ ৱান দাইবেটিস ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অমত্তা লৈতবা তারবসু পুন্সি মহিং শেমদোক্লগা টাইপ টু দাইবেটিস ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোক্লি।

লায়না অসি ঙাকথোক্লবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা, নুমীৎ খুদিংগী ব্রেকফাষ্ট চাবা, ফাইবর য়াওবা চীঞ্জাক চাং নাইনা চাবা, হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং মৈখু শীজিন্নদনবনি।

হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা মতমদা ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্স ফগৎলকপা মরম্না দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থরকই। অয়ুক হেক য়াহৌবগা পুং ২ নৎত্রগা ৩ গী মনুংদা ব্রেকফাষ্ট চাবনসু লায়না অসিগী রিস্ক হন্থহল্লি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক নোংমত্তং ওইরবসু ব্রেকফাষ্ট চাদনা খক তোক্লোইদবনি।

নুমীৎ খুদিংগী উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং অমসুং ফাইবর য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা চীঞ্জাক্তগী সুগর লৌশি-নবগী চাং তপথহল্লি। মরম অদুনা দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থরকই। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা হীরম কয়াদা কান্নবগুম দাইবেটিস ঙাকথোকপদা চাউনা মতেং পাংই। মসিনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহল্লি অমসুং হকচাংনা মওং তানা ইন্সুলিন শীজিন্নবা ঙম্মী।

মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থম্বা মীওইশিং দাইবেটিসকী রিস্ক ৱাংই। হৈনবী অসি থাদোকপা মতমদা দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থরকপগা লোয়ননা অতৈ-অতোপ্পা হকশেলগী কান্নবা কয়ামরুম ফংই হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

দাইবেটিসনা হকচাংগী কয়াৎ কয়ামরুম শোকহল্লকপগা লোয়ননা না তাথিবা মীশক অমা ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না নাদ্রিঙৈদা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবনা খ্বাইদগী চুম্বা খোঙথাংনি হায়রি।

# তাইরেনপোকপীগী লম্বী-থোংগী ফিভম ফত্তবনা খুঞ্জাশিং খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে



বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, জন্যৱারী ৩১ (ঐচএন এস): ইন্দিয়ানা নীংতম্বা চহী ৭০ ফারক্লবসু সেকমাই এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা তাইরেনপোকপী, সাইরেম খুল অমদি অতোং খুমনগী খুঞ্জাশিংদি হৌজিক লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

ইম্ফালদগী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ১৪ রোম চৎলগা লৈবা তাইরেনপোকপী খুল অসি লমশাং এ সী অমদি সেকমাই এ সীগা লোন্ননা লৈবনি। অদুবু লমশাং এ সীগী মনুংদা লৈবা লম্বী থোং অয়াম্বদি নীংথিনা কোয়লাস থাদুনা লৈরি। অদুগা থংননা লৈবা সেকমাই এ সীগী মনুংদা লৈবা খুলশিংগী লম্বী থোংগী ফিভমদি অৱাবগী মশক্লি। হৌজিক নিংথমথা মতম অসিদনা উফুল হৌবনা মীয়ামদা অৱাবা ওইরে। লম্বীদা গাড়ী অচৌবা অমা চৎখিবা মতমদা উফুল পাইশিল্লক্তুনা য়ুমগী পোৎচৈ কয়া মোৎহনবতা নত্তনা লম্বী মনাক্তা লৈবা মীওইশিংদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

তাইরেনপোকপী মমাং লৈকায়দা লৈবা নিংথৌজম লোকেন কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, তাইরেনপোকপী লম্বী অসি শেম্বীনবগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিদা কয়ারক হন্না হায়জরবসু ঙসি ফাওবা তাবিদ্রে। খুল অসিগী খুঞ্জাশিংনা সেকমাই এ সীগী মনুংদা লৈগদবগী শরুকপুদি লমশাং এ সীদা ওইনা চলহনবীয়ু হায়না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

তাইরেনপোকপীদগীনা ফয়েং ফাওবা কিলোমিটর অমরোম শাংবা লম্বীগী ফিভম অসিসু য়াম্না ফৎত্রে। হৌজিক লম্বী অসিদা গাড়ী অমা চৎখিবদা উফুলনা মায়, মীৎ পাঙবা য়াদ্রে। মসিদা নত্তনা মাকলং অমদি তাইরেনপোকপী তায়নবা লম্বীসু মতম শাংনা লৈঙাক্লা শেম্বীদবনা হৌজিক উফুলনা লম্বী চৎপা য়াদ্রে। মরম অদুনা নোংজু পান্থা লাক্ত্রিঙৈদা হায়রিবা লম্বীশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্ল মীৎয়েং চঙবীদুনা কোয়লাস থাবীনবা আপিল তৌরক্লি। লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবনা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা ওটোরিক্সো অমদি মেজিকনচিংবসু সর্ভিস তৌনিংদবা পোক্লে হায়রি।

তাইরেনপোকপী অৱাং লৈকায়দা লৈবী ইবেনী কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, তাইরেনপোকপীগী লম্বী থোংগী ফিভম অসি য়াম্না ফত্তবনিনা খরা লৈরগদি মফম অসিদা খুন্দারিবা মীওইশিং অসি বিলাটিমাটিনা ফুল্লগা শিরগদ্রা হায়বগী মীপায়বা পোক্লরে। মতম অমদা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম য়াম্না ফনা লৈরম্বা অদু তাইরেনপোকপী মনিং চীংদা রেলৱেগী টন্নেল হুৎপদগী লম্বী অসিদা রেলৱেগী পোৎচৈ পুবা গাড়ী কয়া চৎপা অসিনা লম্বীগী ফিভমসু নোংম নোংমগী শোকচিনবা হেঞ্জিল্লক্লি। গাড়ী অচৌবা ময়াম চৎপদা উফুলনা খুজেং য়ৌরে হায়রি।

লম্বী অসিদা করিগুম্বা মশক নায়বা মীওইশিং লাক্লগদি রেলৱেগী কাঙবুনা লম্বী উফুল হৌদনবা ঈশিং চায়। অদু নৎত্রগদি অয়াম্বা মতমদা উফুলনা লম্বী অসিদা চৎপা ঙম্নদ্রে। খুল অসিগী থক্লবা ঈশিং ফঙদবনা খুঞ্জাশিংনা লৈরগা শীজিন্নরি। লৈকায়গী পুখ্রি অমা লৈরিবা অসিদগী ঈশিং শোক্লগা নোংমগী তঙায়ফদবা শীজিন্নরি। মরম অদুনা তাইরেনপোকপী, সাইরেম খুল, অতোং খুমন অমদি ফয়েং চীংনচিংবা এরিয়াগী লম্বীশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা অতেনবা মতমদা শেমজিনবীয়ু লোয়ননা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এনসু হিরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না খুঞ্জাশিংনা ৱারৌবগা লোয়ননা ফোঙদোক্লরক্লি।

# কুমজা ২০১৮-১৯ দা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক ২৬০ রোম থোকখি

ইম্ফাল, জন্যৱারী ৩১ (ঐচএন এস): মণিপুরদা মৈহৌ লাংপোক অমদি চেকশিনহৌদবা মীৎকুপ্তা পোৎ চৈ কয়া মৈনা তুম্না চাকখিবগী থৌদোক লোয়ননা মৈ চাকপা কন্নবা হোৎনবদা অশোক অপন্নচিংবা কয়াসু লৈখি।

কুমজা ২০১৮-২০১৯ অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক ২৬০ রোম থোকখি। মসিগী মনুংদা অচৌবা মৈ চাকপগী থৌদোক ১০ মুক য়াওখি। মণিপুর ফায়র সর্ভিসতগী ফঙবা পাউনা হায়, ফায়র সর্ভিসকী কাঙবুনা করিগুম্বা খঙহৌদনা মৈহৌ লাংপোক অমা থোরকপা মতমদা মদুবু কন্নবগীদমক চেকশিন্না থৌরাং তৌদুনা লৈ। করিগুম্বা মতমদা ফায়র সর্ভিসকী কাঙবুনা মৈ চাক্লিবা মফম অদু চঙলুবা মতমদা ৱাখল তানদবদগী গাড়ীদা অকায় অতোয় থোকহনবা, মৈ চাকফমদা চঙহন্দবা কয়া থোক্লিবা অসি মতুংদা অমুক হন্না থোহনবীগনু হায়রি।

মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট কয়া হাঙদুনা লৈবা অদু মেনশিন্নবা প্রোসেস তৌরি। মদুগী মনুংদা ড্রাইভর ৩৮, ফায়রমেন ৮৫ লৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ট্রেনিং তৌরি। মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিং য়াওনা ফায়রমেন ১২১ সু লৌনবগীদমক প্রোসেস তৌরি হায়রি।

হৌজিক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফায়র ষ্টেসন ১৪ রোম নৌনা হাঙনবা থৌরাং তৌরি। হায়রিবা মফমশিং অদুদি, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তদুবী, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সাইকুল, নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক, লিলোং, হৈরোক অমদি ৱাংজিং, বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নম্বোল, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সিংহাৎ, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পোরোমপাৎ অমদি লল্লাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সেকমাই অমদি খুম্বোং, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিটান পোষ্টনচিংবনি। হায়রিবা পোষ্টশিং অসি হাংনবগীদমক সেঙ্কসন তৌখ্রে। অথুবা মতমদা মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী ওফিস বিল্ডিংনচিংবা শানবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী বজেট য়াম্না পীকপনা মরম ওইদুনা হৌজিক লৈরিবা ইম্ফালগী ফায়র ষ্টেসন অসিগী গাড়ী থমফম মতিক চাদবনা গাড়ী কয়া গেরেজদা থম্বগী মহুত্তা নোংখাং চায়দুনা লৈরি। লৈরিবা ফায়র ষ্টেসন অসিদা থবক তৌরম্বা লুচিংবশিংনা ফায়র ষ্টেসন অসিগী মেন পাৱরশিং অসি মতম মতমগা চুনবা মওংদা লৈশিন্দুনা থম্বগী মহুত্তা মতম লেল্লগা চৎখিবসু য়াওই। অদুবু ওফিস অসিগী মখা থাবা ওফিসরশিংনা ফায়র ষ্টেসন অসিবু দিভলপ তৌনবা অকনবা থবক লৌখৎলি হায়রি।




HL-P/5901/16-31



HL-B/5147/25/1-25/2